# ঈরাং হৌরকখ্রে

ইম্ফাল, মার্চ ১২ (ঐচ এন এস):

নোনেদা চেল্লিবা ঈজৈ তুরেলদা নোর্থ ফ্রন্ট রেলৱে কম্পেনিগী টর্নেল হুৎপদা কেমিকেল কয়া অমা থাদরকপদগী তুরেল অদুদা লৈরিবা ঙা ময়াম শিবগা লোয়ননা তুরেল অদুগী ঈশিং শীজিন্নরুবা মীওই কয়া ফুরি থুংলকপদগী ঙসি রেলৱে টর্নেল হুৎলিবা মরাং চীংদা লৈবা টর্নেলদা থোমজিন্দুনা থবক থিংজিনখ্রে।

কম্পেনিশিং অসিনা টর্নেল হুৎপদা শীজিন্নরিবা কেমিকেল কনটামিনেটেদ তৌবা অমোৎপা মহি অমদি হাওথি কয়া তুরেলদা থাদরকপা অমদি লম্বী শেম্বগী লৈবাক কয়া তুরেল খোঙনুংদা হৈথরকপা অমদি তুরেলগী খোংনুংদগী লৈঙোই পেক্তুনা ঈশিং নৈহনবনচিংবা থবক কয়া চথুরকপদগী খুদক্তগী থবক অসি লেপক্কদবনি হায়না কম্পেনি অসিগী মেসিনরিশিংগী ছো মীয়াম্না সিজ তৌহনখ্রে হায়রি।

# হেল্থ মিনিষ্টরনা জি এন এম স্কুল থৌবাল শঙ্গাখ্রে

ইম্ফাল, মার্চ ১২ (ঐচ এন এস):

লৈঙাক্না পরিং নাইনা চথুরকপা শঙ্গাবগী থৌরমশিংগী মনুং চন্না হেল্থ মিনিষ্টর এল জয়ন্তকুমারনা ঙসি জি এন এম স্কুল থৌবালগী নৌনা শাবা বিল্ডিং শঙ্গাবগা লোয়ননা মীয়ামদা খুৎশিন্নখ্রে। দিষ্ট্রিক্ট হোস্পিটাল কেম্পস থৌবালদা পাঙথোকখিবা জে এন এম স্কুল শঙ্গাবগী থৌরম অদুদা চীফ গেষ্ট ওইনা শরুক য়ারদুনা হেল্থ মিনিষ্টর এল জয়ন্তকুমারনা হায়খি, নর্সিং স্কুল অসি মপূং ফানা থবক হৌবা য়ানবগীদমক তঙাইফদবা ইক্বিপমেন্টশিং অমদি ষ্টাফশিং হাপ্পবা মীৎয়েং চঙগনি। ঙসি হাংদোল্লিবা স্কুল অসিগী সেসন চহীসিগী জুন/জুলাইদগী হৌগনি। ষ্টেট অসিগী নর্সশিং অসি য়ূমথংনরিবা ষ্টেটশিং অমদি মপানগী লম কয়াদা য়াম্না পান্নে। অনা-লায়েংগী থবক্তা নর্সশিং অসি য়াম্না মরুওইবা অমনি। নর্সিং স্কুল হাংদোরকপা অসিনা নর্সিংগী কোর্স তম্লীংবা মহৈরোয়শিংদা খূদোংচারগনি। ষ্টেট অসিদা নর্সিং স্কুলশিংগী অফবা ইনফ্রাষ্ট্রকচর শেমগৎপা তঙাইফদে। লৈঙাক্না অসিগুম্বা থবক থৌরমশিং পায়খৎলকপদা মীয়াম্না শৌগৎপীয়ু হায়নসু ফোঙদোকখি।

# মেঘগী জেনরেল...

*লামায় ১গী মখা...* লাক্তুনা জে এ সীগা উনবদা ফোঙদোরকপদগী পুং ৪৮গী জেনরেল ষ্ট্রাইক অদু হন্দোকপনি হায়না মখা তারক্লি। মণিপুর লৈঙাক্কী মায়কৈদা মেঘচন্দ্র হাৎপদা চেন্নবশিং পুং ৪৮গী মনুংদা পুথোক্তুগদি লাক্লিবা মার্চ ১৫গী অয়ুক পুং ৫ দগী হৌরগা মণিপুর পূম্বগী বন্দ চথুগনি হায়রি।

# লৈঙাক পায়হৌদবদগী...

*লামায় ১গী মখা...* প্রোজেক্ট কয়া শেমগৎ-শাগৎপা ঙম্লগনি। মীদিয়াদা ঙাঙবগী মহুৎতা ফোরম অমদা দিবেট তৌনসি। কোংগ্রেসনা লৈঙাক পায়রিঙৈদা করম্বা প্রোজেক্ট নৎত্রগা লোইশঙ অমা মপূং ফানা লোইশিনবা য়াওখি হায়না হংলদুনা সেনাপটি দিষ্ট্রিক্ট হোস্পিটাল, সীটি কনভেন্সন সেন্টর, আই এস বি টি অমদি এসেমব্লিগী শঙলেন মতম চানা লোইশিন্দুনা শঙ্গাখিদে হায়নসু মহাক্না মখা তাখি।

## GAS NEWS

**CANCHI INDANE SERVICE**
Booking Upto:27/01/2018
Valid From:21/01/2018
***Stk 14kg:306,Rate Rs.798/-***
***Stk 19Kg:20***
Timing:08.00am to 10.00am

**IMPHAL LPG SERVICE**
**SL. NO. Upto - 49480**
Booking Upto:08/02/2018
Valid From:20/11/2017
***Stk :306***
*(Delivery at Heinoupok Godown)*

**JEMON GAS SERVICE,**
**CHINGAMATHAK**
**SL.NO. - 50500**
Booking Upto:11/01/2018
Valid From:06/01/2018
***Stk :612***
Timing:07.00am to 09.00am

**KHONGNANG GAS,**
**NINGTHOUKHONG**
Booking Upto:26/01/2018
Valid From:22/01/2018
***Stk :306***
Timing:07.30am to 10.30am

**MAIBIA GAS, MOIRANG**
**SL. NO. 6480**
Booking Upto:13/01/2018
Valid From:11/01/2018
***Stk :306***
Timing:07.00am to 11.00am

**MISAO GAS SERVICE**
Booking Upto:17/01/2018
Valid From:28/12/2017
***Stk :612***
Timing:07.30am to 10.30am

**POROMPAT INDANE**
**POROMPAT**
For KYC Submitted on
01/01/2018 to 20/01/2018
***Stk :180***
Timing:7.30am to 10.30pm

# পোলিটিক্স তৌবা কাঙবু ফৎলমদবদগী ষ্টেটসি ৱারম্বনি, হৌজিক্তি মাংলোমদা চৎপা ঙম্লে : সী এম

ইম্ফাল, মার্চ ১২ (ঐচ এন এস):

পোলিটিক্স তৌবা কাঙবু ফৎলমদবদগী ষ্টেট অসি ৱারম্বনি। হৌজিক্তি মাংলোমদা চৎপা ঙম্লক্লে হায়না চীফ মিনিষ্টর নোংথোম্বম বিরেননা ঙসি কাইরং মুস্লিম পি ঐচ সী অমদি লাইফম খুনৌ পি ঐচ এস সী বিল্ডিং শঙ্গাবগী থৌরমদা ফোঙদোকখ্রে।

হেল্থ সার্ভিসেসনা শীন্দুনা পাঙথোকখিবা থৌরম অদুদা চীফ গেষ্ট ওইনা শরুক য়ারদুনা মণিপুরগী চীফ মিনিষ্টর নোংথোম্বম বিরেননা হায়খি, ষ্টেট অসিদা মীয়ামগী তঙাইফদবা থবক থৌরম কয়া তাঙ্কক নাইনা পায়খৎলি। ক্লাস ৱানদগী টুয়েল্ভ ফাওবগী মনুংদা লৈবা স্কুল দ্রোপ আউটশিং খঙদোকপগী থবক কন্না পায়খৎলি। লাইরিক তম্বা ফংদবা অঙাংশিংবু মহৈ-মশিন তমহন্নবগীদমক স্কিম অমা থা অসিগী ১৫ দা লাউথোক্লগনি। এদ্যুকেসন য়াওদনা মালেমগী হোংলক্লিবা ঈচেল অসিদা য়াওবা ঙম্লোই। মতম খরা মীয়ামদা পীরিবা পাৱর অসি শীজিন্নদুনা লৈঙাক্না মীয়ামগীদমক অফবা থবক থৌরমশিং পায়খৎলক্কনি। তুরেল খোংনুংশিং শেংলকপা মতমদা মীয়াম্না শৌগৎপীরকপা অসি নুংঙাইবা ফাওই। ৱাখল তামিন্নরবদি ষ্টেট অসি ৱাফম থোক্তে। প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদি অসি লৈবাক অসিদা অমুক্তা থোকখিদ্রিবা প্রাইম মিনিষ্টর অমগী শক্তম্নি। মমাংদা লৈরম্বশিংবু লোইশিনদ্রিবা প্রোজেক্টশিং শঙ্গাগদবা মীশক নত্তে। লৈঙাক অসি লৈরকপা চহী ১ মপূং ফারকপগী থৌরম থা ১ চুপ্পা পাঙথোক্কনি। মসিগী মনুংদা প্রোজেক্ট ১১৬ শঙ্গাগনি। থা অসিগী ১৬ ফাওবদা প্রোজেক্টশিং অসি শঙ্গাগনি। নৌনা পায়খৎকদবা প্রোজেক্টশিংগী উরেপ-উয়ুং তমগনি। শঙ্গাবগী থৌরম অমদি নোর্থ ইষ্টতা অহানবা ওইনা মণিপুরদা তৌগদবা ইন্দিয়ন সাইন্স কোংগ্রেস হৌদোকপগী থৌরমদা প্রাইম মিনিষ্টর শরুক য়াগনি। মসিগীদমক থা অসিগী ১৬ তা মণিপুরদা লাক্কদৌরি।

চীংগী নুপী কৈথেল তরেৎমক অসি লোইশিনবা ঙমদ্রবসু কৈথেল ১ দি প্রাইম মিনিষ্টর লাকপা মতমদা শঙ্গানবা পান্দম থল্লি। অতৈ লেমহৌরিবশিং অদু থা অসিগী মনুংদা শঙ্গানবা হোৎনগনি। প্রাইম মিনিষ্টরনা ষ্টেট অসিদা লাক্তুনা শঙ্গাগদৌরিবা প্রোজেক্টশিং অসি মীয়ামদা খুদক্তা কান্নবা পীরোইদবা ওইরবদি শঙ্গারোই হায়রক্কদবা মীশকনি। লোইশিনদ্রিবা প্রোজেক্ট শঙ্গাগদবা মীসু নত্তে। লৈঙাক লৈরিবা অসি মীয়ামদা কান্নবা পীনবনি। লৈঙাক হায়বসি কনি টন্যুএসননি। মমাংগী লৈঙাক্না লোইশিনবা ঙমহৌদবশিং হৌজিক লৈঙাক্না লোইশিল্লগা মীয়ামদা কান্নবা পীবা অমদি মীয়ামগীদমক অনৌবা প্রোজেক্ট অমুক হৌবা হায়বসি হৌনশানি।

বি জে পিনা লুচিংবা এন দি এ লৈঙাক্না মীয়ামগীদমক পায়খৎলিবা কান্নবশিং অসি লৌসি। নোর্থ ইষ্টকী ষ্টেটশিংগী মনুংদা বি জে পিনা পায়দ্রিবা অসি মিজোরাম খক্তা ঙাইরবনি। ষ্টেট অসিসু বি জে পিনা পায়রক্লগনি হায়বগী থাজবা লৈ। ষ্টেট অসিদা মমাংগী লৈঙাক চহী ১৪/১৫ লৈরম্লবসু লৈঙাক অদুগী নুংঙাইবা অমদি লৈঙাক লৈবগী মীয়ামদা কান্নবা ফংদবদৌনা তৌই। অনৌবা লৈঙাক অসি লাক্লবা মতমদা অহোংবা খরা উরি। লৈঙাক অসি লায়রবগী পনখৈ মখাদা লৈবা থবক শূরগা নোংমগী চরা তান্নবা হোৎনরিবা মীয়ামদা মীৎয়েং চঙবা লৈঙাক্নি। থা খূদিংগী তাং ১০ অমদি ১৫ দা চীংগী লুচিংবশিংগী নুমিৎ অমদি মীয়ামগী নুমিৎ হায়না খায়দোক্তুনা মীয়ামগী খোল্লাউ কয়া তারি।

হেল্থ স্কিম অমা লৈঙাক্না হৌদোকখিবা অসিগীদমক পব্লিক হেল্থ এৱার্দসু ষ্টেট অসিদা পীরকপনি। চীফ মিনিষ্টরগী হকশেলগী তেংবাং অসি লৈবাক অসিদা মতৌ তম্ন গদৌরে। প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনসু নেসনল হেল্থ ইন্স্যুরেন্স স্কিম, লুপা লাখ ৫ ফাওবা কান্নবা পীগদবা স্কিম পায়খৎলক্লি হায়নসু ফোঙদোকখি।

থৌরম অদুদা প্রসিদেন্ট ওইনা শরুক য়ারদুনা হেল্থ মিনিষ্টর এল জয়ন্তকুমারনা হায়খি, অনৌবা লৈঙাক অসিনা লৈঙাক পায়রকপা চহী ১ ফারকপগা লেয়ননা প্রোজেক্টশিং শঙ্গাবগী থৌরম লেপ্তুনা চথুরকপা অসিদা কোংগ্রেস পার্টিগী মায়কৈদগী শঙ্গারিবা প্রোজেক্টশিং অসি মখোয়না লৈঙাক পায়রিঙৈদা শারম্বা ঙাক্তনি হায়রিবসি অহোংবা পোলিটিক্সনি। হুন্নরবদি ৱাৎলোই।

# সুপ্রিম কোর্টনা ইনভেষ্টিগেসন লোইশিন্নবা খঙহনখ্রে

ন্যু দিল্লি, মার্চ ১২:

মণিপুরগী এক্সত্র জুদিসল মীহৎশিংগী মতাংদা সুপ্রিম কোর্টনা নেসনল হ্যুমেন রাইটস কম্মিসন (এন ঐচ আর সি) দা রেজিষ্টর তৌখিবা কেসশিং অমুক হন্না মপূং ফানা থীজিন্নবা (এস আই টি) দুসু এন ঐচ আর সিগী ইনভেষ্টিগেসন য়েংশিন্নবা অমসুং সি আর পি সিগী সেক্সন ১৪২ গী মখাদা মদুগী রিপোর্ট অমা সবমিট তৌনবসু খঙহনখ্রে।

হৌখিবা মার্চ ১২ দা জষ্টিসশিং মদন বি লোক্কুর, কুরিয়ন জোসেফ অমসুং দিপক গুপ্তাগী বেঞ্চনা ওবজার্ভ তৌখি মদুদি, ইনভেষ্টিগেসনগী ষ্টেপ অনি ওইগদবা অহানবদা এফ আই আর রেজিষ্টর তৌবা অমসুং অদিসুবদা ইনভেষ্টিগেসন চথিবা। ইনভেষ্টিগেসন অদু খুদক্তা পাঙথোক্কদবনি অমসুং মদুনা এফ আই আরদা অকায়বা পীগনি হায়না লৌরোইদবনি।

এদিস্নেল সোলিসিটর জেনরেল (এ এস জি) মন্দির সিংহনা হায়খি মদুদি, সি বি আইগী ওফিসরশিংনা হায় কোর্টতা লৈরিবা কেস অনি য়েংশিনগনি অমসুং হৌজিক ৱায়েল অদু লোয়শিল্লকপায়ারী ফিভমদা লৈরে।

'ফাইল তৌখিবা এফ আই আর ৪৫ মক সি বি আইগী ৱেভসাইটতা ফংগনি। আর্মি অমসুং অতৈ নসু হিরম অসিগী মতাংদা পাংলি। করিগুম্বা ইনভেষ্টিগেসন চথবদা খুদোংচদবা কয়া য়েংনরবদি মহাক্না খুদক্তা কোর্টতা খঙহনগনি' হায়না এ এস জিনা ফোঙদোকখি।

এপেক্স কোর্টনা কেস অদুগী মখা হয়ারিং এপ্রিল ১৫ ফাওবা য়ৈথোকখি।

# লোইশিন্দবা প্রোজেক্ট অমত্তা...

*লামায় ১গী মখা...* ঈচাও থোকখিবা অদুগা মরী লৈননা ষ্টেট গভর্ণমেন্টনা মীয়ামদা রিলিফকী তেংবাং ওইনা পীননবা সেন্টরদগী লুপা ক্রোর ১৩০ ফংলে। অসিগুম্বা অচৌবা তেংবাং অসি মমাংদা ষ্টেট অসিনা ঈশিং ঈচাওগা মরী লৈননা ফংখিবা অমত্তা লৈত্রি। রিলিফকী তেংবাংশিং অসি অথুবা মতমদা য়াম্না মনুং-মপান ফাওনা উবা মওংদা মরী লৈনবা দি সীশিংগী খূৎথাংদা মীয়ামদা ফংহনগনি।

পনবা য়াবদি, চীফ মিনিষ্টরগী হকশেলগী তেংবাং অসি ষ্টেট অসিগী লায়রবা মীয়াম্না অনা-লায়েংবদা শেল চঙবা হন্থহন্নবা ষ্টেটনা স্পোন্সর তৌবা হেল্থ প্রোটেক্সন এস্যুরেন্স স্কিম অমনি। স্কিম অসিনা প্রাইমারি থাক ফাওবগী ওইনা অনাবা অমদা কেশলেস ট্রিটমেন্ট ওইবা লুপা ৫০,০০০ ফাওবা অদুগা অরুবা অনাবা মখল তরেৎতনা লুপা লাখ ২ ফাওবগী তেংবাং শেল পীনবনি। হায়রিবা স্কিম অসিদা ফেমিলি অমসুং বেনিফিসরিশিং অসি সোসিও ইকনমিক কাষ্ট সেন্সস/এ এ ৱাই/ৱিদো/আইদেন্টিফাই তৌরগা এনরোল তৌবনি। হৌজিক ফাওবদা ইমুং ১৫,০০০গী মীওই লিশিং ৭৫ রোম এনরোল তৌরে। স্কিম অসিনা ষ্টেট অসিগী লায়রবা অমসুং মথৌ তাবা মীওই লাখ ২ দগী ২.৫০ ফাওবা এনরোল তৌনবা পান্দম থল্লি।

# এন আর সীগী মতাংদা...

*লামায় ১গী মখা...* হায়বসিসু ঐখোয়না খঙজিনগদবনি হায়না মখা তাখি।

মহাক্না হায়খি, মণিপুরদা এন আর সী অপদেসন তৌবদা খূদোংচাদবা লৈরিবসি এন আর সী ১৯৫১ গী রেকোর্দ লৈতবসিসু অমনি। মপুং ফাবা ইলেক্টোরেল রোল লৈতবা, পোপ্যুলেসনগী ইস্যুশিং খন্ননবা ওঠোরাইজ বোদি লৈতবা অমসুং কান্নবা লৌরিবা কম্যুনিটি ময়াম্না এন আর সী তৌহন্নিংদে। মখোয়দগী অকায়বা কয়া লাকপা অসিনা লমদম অসিদা এন আর সি অপদেসন তৌবদা খূদোংচাদবা ময়োক্লবনি।

খন্ন-নৈনবগী মীফম অদুদা অনসমগী প্রসিদেন্ট সেট সৎসংনা মরুওইবা ৱারোল পীরদুনা হায়খি, এন আর সীগী মুভমেন্ট অসি হন্দক্না অহানবা নত্তে। হান্নদগী তৌরবনি। মসিদা লৈঙাক্কী চাওরবা থৌদাং লৈ। মণিপুর মীয়াম্বু লৈঙাক্না ঙাক শেনবা হায়বসি মখোয়গী মথৌনি। ঐখোয়না আই এল পি, এস টি দিমান্দ তৌরিবদি ঐখোয়গী কম্যুনিটিবু ঙাকচনবনি। এন আর সীগী অপদেট তৌরবদি লৈঙাক্না মীতোপ চঙলকপা অমসুং য়েলহৌমী খঙদোক্তুনা শোয়দনা কম্যুনিটি ঙাক শেনবা ঙমগনি অমসুং মুভমেন্ট অসি মায় পাক্ত্রি ফাওবা মখা তানা চঙশিনখিগনি হায়না ফোঙদোকখি।

মীফম অদুদা আরটেক্স এ সিমরে অমসুং নিংথৌজা লানচানা পেনেলিষ্ট ওইনা শরুক য়াখি অমদি লোংজম রতন অমসুং এল অদানিনা মোদরেটর ওইখি।

# লালহৌবদা শেল পীবগী...

*লামায় ১গী মখা...* এন আই এনা কৌখৎখিবা লৈখ্রবনি।

হৌখিবা ২০১৭কী জন্যুৱারী ১৮ দা এন আই এনা নাগালেন্দগী তোঙান-তোঙানবা গভর্ণমেন্ট দিপার্টশিংদা থিবা হুম্বগী থবক চথখি অমসুং লুপা ক্রোর ২ ফাওবগী শেনফমশিং পীখিবগী উৎপা রিসিটশিং ফাগৎপা ঙমখি।

এজেন্সী অসিনা ফোঙদোরকপা মতুংইন্না লৈরল্লিবা রিসিটশিং অদুনা নাগালেন্দদা ওপরেট তৌরিবা তোঙান-তোঙানবা অন্দরগ্রাউন্দ ওর্গনাইজেসনশিং ফন্দিং তৌবদা গভর্ণমেন্ট ওর্গনাইজেসনশিং অসিসু চেন্নৈ হায়বা উৎলি। ছোর্সশিংগী মতুং ইন্না লালহৌবা গ্রুপশিংদা ফন্দ পীরল্লিবা দিপার্টমেন্টশিংদুদা দিরেক্টোরেট ওফ ইনফোর্মেসন টেক্নোলোজি, দিরেক্টোরেট ওফ সোইল এন্দ ৱাটর কঞ্জার্ভেসন, দিরেক্টোরেট ওফ ইরিগেসন, দিরেক্টোরেট ওফ রুরেল দিভলপমেন্ট, দিরেক্টোরেট ওফ অর্বান দিভলপমেন্ট, পি দব্লিউ দি রোদস এন্দ বিল্ডিংস অমসুং দিরেক্টোরেট ওফ ইনফোর্মেসন এন্দ পব্লিক রিলেসন্স য়াওরি।

এন আই এগী মতুংইন্না, এন এস সি এন (কে) গী সিনিয়র কাদর খেতোশে সুমি হৌখিবা কুমজা ২০১৬ কী জুলাই ৩১ দা অসাম রাইফলসনা দিমাপুরদা ফাখি। সুমিনা মহাক ওর্গনাইজেসন অদুগী ফাইনান্সকী ইন-চার্জনি অমসুং মহাক্কী মরু ওইবা থৌদাংদি তোঙান তোঙানবা গভর্ণমেন্ট দিপার্টশিংদগী লোনা য়াদবা মওংদা টেক্সশিং লৌদুনা ওর্গনাইজেসনগী ফন্দ খোম্বনি হায়না ফোঙদোকখি হায়রি।

গভর্ণমেন্টগী ইমপ্লোয়ীশিংগা অন্দরগ্রাউন্দ গ্রুপশিংগা ফন্দিং তৌনবগা লৈনবা মরীগী মতাংদা এন আই এনা থিজিনবসি নাগালেন্দদা মরু ওইবা অরুবা ইস্যু অমা ওইরি। হৌখিবা ২০১৭ কী নবেম্বরদা গভর্ণমেন্টকী ওফিসল তরেৎ অন্দরগ্রাউন্দ গ্রুপশিংদা ফন্দিং তৌবগা মরী লৈননা ফগৎখিবদা কোহিমাদা অচৌবা প্রোটেষ্ট কয়া চথখি। টেক্স কয়া লৌদুনা ফন্দিং তৌখিবা অন্দরগ্রাউন্দ গ্রুপশিং অদু নাগা নেসনল পোলিটিকেল গ্রুপশিংনি হায়না খঙখি হায়রি।

# সার্ভিস বূক দিজিটাইজেসন তৌবা তঙাইফদে : রাধেশ্যাম

ইম্ফাল, মার্চ ১২ (ঐচ এন এস):

ইমপ্লোয়ীশিংগী সার্ভিস বূক দিজিটাইজেসন তৌবা তঙাইফদে হায়না এদ্যুকেসন মিনিষ্টর থোকচোম রাধেশ্যামনা ঙসি এদ্যুকেসন (এস) দিপার্টমেন্টকী ইমপ্লোয়ীশিংগী সার্ভিস বূক দিজিটাইজেসন লোঞ্চ তৌবগী থৌরমদা ফোঙদোকখ্রে।

সর্ভ সিক্ষ্য অভিয়ান (এস এস এ) বাবুপারাগী হোলদা পাঙথোকখিবা থৌরম অদুদা চীফ গেষ্ট ওইনা শরুক য়ারদুনা এদ্যুকেসন মিনিষ্টর টি ঐচ রাধেশ্যামনা হায়খি, ওজা হায়বসি এদ্যুকেসনগী য়াম্না মরুওইবা শরুক অমনি। সার্ভিস বূক সবমিসনগী অৱাৎ-অপা কয়া লৈবনা ওজাশিংগী প্রমোসনগী মতমদা খূদোংচাদবা কয়া মায়োক্নে। অসিগুম্বা খূদোংচাদবশিং অসি য়েংলগা সার্ভিস বূক দিজিটাইজেসন তৌবা হায়বসি য়াম্না মরুওইবা অমনি। সার্ভিস বূক অসি দিজিটেল ফোর্মেটতা নীংথিনা মেন্টেন তৌরবদি সিনিয়ারিটি লিষ্ট শেম্বদা খূদোংচাগনি। মসিনা তঙাইফদবা থবক থৌরমশিং পায়খৎপদা মতেং ওইগনি। চীংগী দিষ্ট্রিক্টশিংদা লৈরিবা ওজাশিং অমদি ওফিসলশিংনসু প্রোজেক্ট অসি মায় পাক্লবগীদমক্তা শৌগৎপীয়ু। সার্ভিস বূক দিজিটাইজেসন তৌরবদি ওজাশিংগী রিটাইয়র্দ তৌবগী মতম মাঙওইননা ভেকেন্ট পোষ্টশিং নীংথিনা খঙদোকপদসু খূদোংচাগনি।

শান্নমিন্নসি হায়না ঙসি লোঞ্চ তৌরিবা অসি মপূং ওইনা প্রাইমারি স্কুলগী অঙাংশিংগী মহৈ-মশিন তম্বদা ইন্টরেষ্ট লৈনবগীদমক টোই বেঙ্কনচিংবগী থবক পায়খৎপনি। শান্নপোৎশিং দিরেক্টোরেট ওফ এদ্যুকেসন (এস)তা খূৎশিন্নদুনা তোঙান-তোঙানবা স্কুলশিংদা য়েন্থোক্কদবনি। মসিগী প্রোজেক্ট অসিনা ষ্টেট অসিগী য়েলহৌঙৈগী মশান্নশিংদা মীৎয়েং থমগনি।

স্কুল শূ ফন্দ হায়বা অমসু হৌদোক্লি। সর্ভ সিক্ষ্য অভিয়ানগী মখাদা স্কুলগী য়ুনিফোর্ম অমদি টেক্সবূকনচিংবা পীরিবা অসিদা মহৈরোয়শিংগী খোঙউপ পীবদি য়াওদে। থৌরাং অসিগী মখাদা মহৈরোয়শিংদা স্কুলগী খোঙউপ য়েন্থোক্কদবনি হায়নসু মখা তাখি।

থৌরম অদুদা প্রিন্সিপাল সেক্রেটরি এদ্যুকেসন বিনিট যোসী, দিরেক্টর এদ্যুকেসন (এস) টি ঐচ কিরনকুমার, কাউন্সিল ওফ হায়র সেকেন্দরি এদ্যুকেসন মণিপুরগী চ্যেরমেন এম মহেন্দ্র, এস সী ঈ আর টিগী দিরেক্টর এম মিনাকুমারী অমদি এদ্যুকেসন দিপার্টমেন্টকী ওফিসল কয়াসু শরুক য়াখি।

# এম পি, এম এল এশিং ৱায়েলনবা...

*লামায় ১গী মখা...* এদভোকেট অশ্বিনি কুমার উপধ্যায়না ফাইল তৌখিবা এফিদাভিট অমদা অকুপ্পা ৱারোলশিং পল্লি।

ইলেক্সন কম্মিসননসু ক্রিমিনেল কেসশিংদা কনভিক্ট তারবা পোলিটিসনশিংবু পূম্সি চুপ্পা মীখল থেংনহন্দবগী ৱাকৎ শৌগৎখি অমসুং ৱাফম অসিগী মতাংদা সেন্টরদা রেকমেন্দেসনশিং পীশিনখ্রবনি হায়না মখোয়না ফোঙদোকখি।

# হোম মিনিষ্টরনা মার্চ ১৫ দা...

*লামায় ১গী মখা...* রেকোর্দ মতুংইন্না ইন্দো-ম্যান্মার বোর্দর ট্রেদকী ফিগর অসি কুমজা ২০১০-১১ দা দোল্লর মিলিয়ন ১২.৮০ ওইরম্বদগী ২০১৫-১৬ তা দোল্লর ৭১.৬৪ দা হেনগৎলকখি। ইন্টিগ্রেটেদ চেক পোষ্টনচিংবা ট্রেদকী ইনফ্রাষ্ট্রকচর কয়া শেমগৎলকপা অসিনা ফোর্মেল ট্রেদতা হেনগৎলক্কনি হায়বগী থাজবা থল্লি হায়নসু মখা তারি।

অমরোমদা, প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা থা অসিগী ১৬ তা ইম্ফালদা মেরি কোম রিজনেল বোক্সিং ফাউন্দেসন হাংদোক্কদৌরি। থৌরম অসিদা ওলেম্পিক মেদলিষ্ট বোক্সর বিজেন্দর কুমার অমদি রেষ্টলর সুশিল কুমারসু শরুক য়াগদৌরি।

লাঙ্গোল হিলসকী মনাক্তা লম একর ৩.৩ রোমদা মেরি কোম বোক্সিং একাদেমি শেমগৎলি। ষ্টেট কেপিটেল ইম্ফালদগী কিলোমিটর ১০ রোম চৎলগা মফম অসি লৈ। হৌজিক নুপীমচা ২০ য়াওনা বোক্সর ৪৫ রোম লৈরি। লম অদু কুমজা ২০১৩ দা মণিপুর লৈঙাক্না এলোটমেন্ট পীখিবনি। একাদেমি অদুগী শাবগী ফন্দ অসি নেসনল স্পোর্টস দিভলপমেন্ট ফন্দগী মখাদা পায়খৎখিবনি। নিংশিংবা য়ামদি কুমজা ২০১২গী লন্দন ওলেম্পিকতা মেরি কোমনা ব্রোঞ্জ মেদল ফংলকখি।

# 'পান্থোইবী নিধি লিমিটেদ'...

*লামায় ১গী মখা...* থৌরমশিংগী মথক্তা গোল্দ লোন, মোরগেজ লোন, লোন এগেনষ্ট ফিক্স দিপোজিটনচিংবা অনৌবা মখলগী লোনগী খূদোংচাবশিংনি। ফিক্স দিপোজিট, রিকরিং দিপোজিটনচিংবা স্কিমগী ওইবা খূদোংচাবশিং হাপচিল্লকপনি। দিপোজিট তৌনিংবশিং অমসুং লোন লৌনিংবশিংনা হায়রিবা কম্পেনি অসিদা শেল অমত্তা তিংদনা মেম্বরশিপ অমমম্ ওইগদবনি। ফাইনান্সিএল সেক্টরদা অনৌবা লোন অমা লৌনবা হোৎনরকপদা অচৌবা ফিদা অমা কন্ননবা হোৎনরকপা মতমদা তঙাইফদবা তোঙান-তোঙানবা ফাইনান্স কম্পেনিশিং মথৌ তাই। কম্পেনিশিং অসি মাগী-মাগী চপ চাবা রেজিষ্ট্রেসন সর্টিফিকেট, লাইসেন্স ময়েক শেংনা ফংবশিং ওইগদবনি।

পান্থোইবী নিধি লিমিটেদনা হান্নবা লাইসেন্স লৌদুনা থবক তৌরম্বা তারবদি অরানবা খোঙথাং অমা ওইগনি। মসিগী মরমদি হান্ননা সেট্টল তৌখ্রবা কম্পেনিশিং পান্থোইবী গ্রুপ ওফ কম্পেনিনা ঙসি ফাওবদা মশক থোকপা থবক থৌরমশিং পায়খৎতুনা মীয়ামগী য়াইফনবগীদমক থবক থৌরমশিং পায়খৎলকখ্রবগে হায়বনচিংবা পর্ফোর্মেন্সশিং, অফবা রেকোর্দশিং ফংলবা মতুংদা মখল খূদিংগী থৌরমশিং অঙন্বা থাক্তা পায়খৎপনা য়ারে হায়বা তাঞ্জা অদুদা লৌগদবা লাইসেন্স অমখক্লি।

মণিপুরগী লৈবাক লৈহাওদা পান্থোইবী ইমাগী মিংবু লৌদুনা মিংথোনবা পী ঐচ এফ সী এলগী মখাদা লাকখ্রবা ফাইনান্স কম্পেনিশিং অমসুং কন্স্ট্রক্সন কম্পেনিশিং অসিগী অপূনবা পান্থোইবী গ্রুপ ওফ কম্পেনিনা মণিপুরগী নোর্থ ইষ্ট ষ্টেটশিং ইন্দিয়াগী অতৈ ষ্টেটশিংদসু মথং-মথং এক্সপান্সন তৌরক্লগনি। পান্থোইবী ইমাগী মচা-মনাই ওইরিবা ঐখোয়না ইমাগী খূয়া শোক্লা খুরুমজসি। ইমা ইবেম্মনা মচা-মনাই ঐখোয় খূদিংমকপু ঙাকপী শেনবীগনি। ঐখোয় পূম্নমক্না থৌদাং লৌমিন্নদুনা হেন্না চাউখৎপা, নুংঙাই য়াইফবা, তংদু লৈতাবা লমদম ওইহল্লসি। মালেমগী হোংলক্লিবা চাউখৎ লমজেলদা শরুক য়াবা ঙম্নবা হোৎনসি হায়নসু মখা তানা ফোঙদোকখি।

# তুরেল খোংনুংদা শাজিল্লিবশিং তাঙ্কক নাইনা লৌথোক্কনি : প্রিতম

ইম্ফাল, মার্চ ১২ (ঐচ এন এস):

মণিপুর ফ্লন্দ প্লেন জোইনিং এক্টকী চৎন-কাঙলোন মতুংইন্না ষ্টেট অসিগী তুরেলশিংগী খোংনুংদা শাজিল্লিবশিং ফেজ নাইনা লৌথোক্কনি। অহানবা ফেজগী ওইনা ইম্ফাল তুরেল খোংনুংদা তকথোকপগী থবক হৌরে হায়না ৱাটর রিছোর্স দিপার্টমেন্টকী চীফ এঞ্জিনীয়র কে এস ঐচ প্রিতমনা ফোঙদোকখ্রে।

দি আই পি আর কমপ্লেক্সতা পরিং নাইনা চথরক্লিবা দিপার্টমেন্টশিংগী প্রেস কনফরেন্সকী শরুক অমা ওইনা ঙসি ৱাটর রিছোর্স দিপার্টমেন্টকী মতাংদা ৱা ঙাঙলদুনা দিপার্টমেন্ট অসিগী চীফ এঞ্জিনীয়র প্রিতমনা হায়খি, ৱাটর রিছোর্স দিপার্টমেন্টনা তোঙান-তোঙানবা প্রোজেক্ট কয়া পায়খৎলি। মণিপুর ফ্লন্দ প্লেন জোইনিং এক্টকী কাঙলোনশিংগী মতুংইন্না তুরেল খোংনুংদা শাজিল্লিবশিং তকথোকপগী থবক চথুবা হৌরে। অহানবা ফেজগী ওইনা ইম্ফাল তুরেলগী খোংনুংদা শাজিল্লিবা য়ূম, দুকান য়াওনা তকথোকপগী থবক চথুরি। কোইরেঙৈদগী হৌরগা লফুপাৎ তেরা ফাওবদা তোঙান-তোঙানবা মফম কয়াদা তকথোকপগী থবক চথুরি।

দিপার্টমেন্ট অসিগী মখাদা খুগা মল্টিপর্পজ প্রোজেক্ট, দোলাইথাবী বরাজ প্রোজেক্ট, থৌবাল মল্টিপর্পজ প্রোজেক্ট পায়খৎলি। খুগা প্রোজেক্টকী ওইনা দামগী শরুক চাদা ১০০ লোইরে। স্পিলৱেসু মপূং ফানা লোইশিল্লে। কেনেল সিষ্টেম চাদা ৯৯ লোইরে। প্রোজেক্ট অসিগী এপ্রুভ কোষ্ট লুপা ক্রোর ৪৩৩.৯১২ নি। দোলাইথাবী বরাজগী ওইনা বরাজগী শরুক চাদা ৯৪ লোইরে। মেইন কেনেল সিষ্টেমগী থবক চাদা ৫৯ লোইরে। দিষ্ট্রিব্যুটরিগী থবকশিং চাদা ৪৩ পায়খৎলে। প্রোজেক্ট অসিগী এপ্রুভ কোষ্ট লুপা ক্রোর ৫০৮.৪৮ নি। কুমজা ২০১৯গী মার্চ ফাওবগী মনুংদা প্রোজেক্ট অসি লোইশিন্নবা পান্দম থল্লি। থৌবাল মল্টিপর্পজ প্রোজেক্টকী ওইনা দাম অমদি স্পিলৱে চাদা ৯৭ লোইরে। মেইন কেনেল চাদা ৬৫ লোইরে। ব্রাঞ্চ কেনেল চাদা ২২ লোইরে। দিষ্ট্রিব্যুটরি চাদা ৫৫ লোইরে। অপূনবগী ওইনা প্রোগ্রেস অসি চাদা ৮৫ রোম লোইরে। প্রোজেক্ট অসিগী এপ্রুভ কোষ্ট লুপা ক্রোর ১৬৯৪.২৭ নি। কুমজা ২০১৯গী মার্চ ফাওবদা লোইশিন্নবা পান্দম থল্লি। মফৌ দামদগী চীঙ্খৈ চীং ৱাটর ট্রিটমেন্ট প্লান্ট ফাওবা পুরক্কদবা পাইপ ফূম্বগী থবক য়াংনা চঙশিল্লি। টনেল অনী হুৎপগী থবক চথুরে। টনেল অমদি হুৎপা লোইরে। টনেল অমনা চাদা ৮৫গী চাংদা হুৎপা লোইশিল্লক্লে। প্রোজেক্টশিং অসিনা ইরিগেসন, ৱাটর সপ্লাই অমদি মৈ পুথোকপগী থৌরাংশিং য়াওরি।

হৌখিবা চহীদা মণিপুরগী তোঙান-তোঙানবা তুরেল কয়া তোর্ব্বান কায়বগী অৱাবা মায়োক্নখি। দিপার্টমেন্টকী রেকোর্দ মতুংইন্না কায়খিবা মশীং অসি ৩৬ লোমনি। মসিগী মনুংদা মফম ১৩দি য়াম্না চাওনা কায়খি। তুরেল তোর্ব্বান কায়খিবা মফমশিং অসি শেমজিনবগী থবক য়াম্না কন্না চথুরি। ষ্টেটকী লৈরিবা ফন্দ তঙাইফদনা শেমজিন্দবা য়াদবা মফমশিং অসি শেমজিন-শাজিনবগী থবক য়াম্না কন্না চথুরি। নোংজু থা লাক্ত্রিঙৈগী মাঙওইননা মফমশিং অসি শেমজিন্নবা মীৎয়েং চঙলি।

লম্ফেলদা একর ৪৪২ রোম পাক চাওবা ৱাটর বোদি অমা শেমগৎলগনি। লৈঙাক্না ৱাটর বোদি অসি শেমগৎনবগী অখন্নবা মীৎয়েং চঙলি। ষ্টেট অসিদা নোং হেক চুবগা থুনা ঈচাও থোক্লিবা অসিগী তোঙান-তোঙানবা মরম কয়া লৈরি। চীংগী লমদা উমং কোকথোরকপনা মরম ওইদুনা ঈশিং পন্থদনা চেন্থরকপা, তুরেল খোংনুংশিং থেনগৎলকপা অসিনচিংবা কয়াসু মরুওইবা মরমশিংনি। ৱাটর বোদিশিং শেমগৎপগী তঙাইফদবসু লৈ। অশাংবা মতমগী অমদি অতেনবা মতমগী ওইবা থৌশিল কয়া পায়খৎপা মথৌ তারি। দিপার্টমেন্ট ময়াম কোওর্দিনেসন লৈনা থবক তৌমিন্নবা চঙই। ষ্টেট অসিগী ৱাটর পোলিসিসু লৈখ্রে। ঈশিং ঈচাওগী অৱাবা কয়া মায়োক্লরিবা অসিদগী লৌখৎফম থোকপা থৌরাং কয়া লৌখৎনবগীদমক দিপার্টমেন্ট কয়াগী মীহুৎশিং য়াওনা খন্ন-নৈনদুনা য়াথোক্লবা মীৎয়েং থল্লি।

ইথাই বরাজগী গেট হাংবগী মতাংদা খূদোংচাদবা কয়া মায়োক্লবা লৈখি। লৈঙাক্না মীৎয়েং চঙদুনা ইথাই বরাজগী গেট হাংদোক-হাংজিনগী থবক অসি ৱাটর রিছোর্স দিপার্টমেন্টকী ওফিসলশিং য়াওনা পায়খৎমিন্নবা থবক লৌখৎলে হায়নসু ফোঙদোকখি।

পাউমীশিংগা উনখিবা অদুদা এদিসনেল চীফ এঞ্জিনীয়র ৱাই জুগেশ্বর, এস ঈ অলবর্ট, কৃতি অমদি পি ইঙোচাসু শরুক য়াখি।

# পব্লিক টোইলেট মতম খরগী ওইনা থুগায়বীগনু

ইম্ফাল, মার্চ ১২ (ঐচ এন এস):

তুরেল খোংনুং শেংবগী থবক পায়খৎলক্লিবা অসি অফবা খোঙথাং অমনি অদুবু শামুরৌ কৈথেলগী অমত্তা ঙাইরবা পব্লিক টোইলেট অসি মফম চাবা অমদা অনৌবা অমা শাদ্রিবা ফাওবা থুগায়বীগনু হায়না শামুরৌ ম্যুনিসিপাল কাউন্সিলগী চ্যেরপার্সন এন নোনিবালানা পাউমীশিংগা উনবদা ফোঙদোকখ্রে।

পাউমীশিংগা উন্নবদা কাউন্সিল অসিগী চ্যেরপার্সন এল নোনিবালানা ফোঙদোকখিবদা, তুরেল খোংনুং শেংবগী থবক পায়খৎলিবা অসি থাগৎনিংঙাইনি। শামুরৌ ম্যুনিসিপাল কাউন্সিলনসু সপোর্ট তৌই। অদুবু, শামুরৌ কৈথেলদা কৈথেল ফম্লিবী নুপীশিংগী অমত্তা ঙাইরবা পব্লিক টোইলেট অসি থুগায়খিবা তারবদি অৱাবা কয়া মায়োক্লগদৌরি। অনৌবা টোইলেট অমা মফম চাবা য়েংলগা শানবা পান্দম থল্লি। টোইলেট অসি শাবা লোইদ্রিবা ফাওবদি হৌজিক লৈরিবা পব্লিক টোইলেট অসি থুগায়বীগনু হায়নসু ফোঙদোকখি।

ঙসি শামুরৌ ম্যুনিসিপাল কাউন্সিলগী মীৎয়েং মখাদা শামুরৌদা কৈথেল ফম্লিবী নুপীশিং য়াওনা মীফম অমা পাঙথোকখি। শামুরৌ কৈথেলদা লল্লোন-ইতিক তৌরিবা লাংথবাল এ সী, ৱাঙ্গোই এ সী অমদি লিলোং এ সীগী নুপী কয়াসু য়াওখি। পব্লিক টোইলেট অসি থুগায়খিবা তারবদি খূদোংচাদবা কয়া মায়োক্লগদবা লৈবনা শামুরৌ ম্যুনিসিপাল কাউন্সিলনা টোইলেট অমা শাদ্রিবা ফাওবা পব্লিক টোইলেট অসি থুগায়বীগনু হায়বা ৱারেপসু মীফম অদুদা লৌখি।

# শঙ্গারবা মতুংদা রাণি গাইদিনলিয়ুগী অৱাৎপশিং হাপচিনগনি: কামা

ইম্ফাল, মার্চ ১২: হাইপৈ রাণি গাইদিনলিয়ুগী মীতম প্রাইম মিনিষ্টরনা হাংদোক্কদৌরিবা অসি শেমজিনবা লোয়বদি নত্তে। অদুবু অৱাৎপশিং অসি মায়খুম হাংদোকপা লোয়বগা শেমগদবনি হায়না কম্বুই মাদরস এসোসিএসন (কামা) না ফোঙদোকখ্রে।

পাওনা কৈথেলদা কৈবা কামাগী ওফিসতা পাউমীশিংগা উন্নবদা লূপ অসিগী জেনরেল সেক্রেটরি রজিতা গোলমৈনা হায়খি, কম্বুই মাদরস এসোসিএসন অসি কুমজা ২০০৪ দা লিংখৎখ্রবা মতুংদা কুমজা ২০০৫ তগী ঙসি ফাওবা মণিপুরগী অৱাথ-অপা কয়া তান্দুনা লাকখি অমসুং রাণি গাইদিনলিয়ুগী মিতম শানবা লৈঙাক্তা তকশিন্দুনা লাকখিবনি। ইন্দিয়াগী ফ্রিদম ফাইটর অমা ওইরিবা রাণি গাইদিনলিয়ুগী মিতম খীন্নবগীদমক খুৎহৈবা বোনোমালিনা শাবদা অৱাৎ-অপা কয়া হাপতোক হাপচিন তৌবগী ঙাইদুনা লৈরিবনি।

মরক অসিদা লৈঙাক্না কামাদা করিগুম্বা ৱারোল অমত্তা ফোঙদোক্লমদনা প্রাইম মিনিষ্টরনা মায়খুম হাংদোক্লবা হায়দুনা মিতম অসি য়ুংলিবা অসি লাইবক থিবনি। মরমদি মিতম খিনবা মতমদা নাৎকী চৎনবী লাইথৌ থৌগদবনি। অদুগুম্বা লাইথৌসু তৌদনা লৈঙাক্না মিতম হেক্তমক খিনখিবা অসিবু নুংঙাইতবা ফোঙদোরক্লি।

ইনিংথৌ লৈশেম্বা সনাজাওবগী নাক্তা চৎলগা ঙরাং অয়ুক পুং ৯.৩০ রোম তাবদা নিংথৌ য়াওনা চীফ মিনিষ্টর এন বিরেনগা উন্নখি। মদুদা চীফ মিনিষ্টরনা প্রাইম মিনিষ্টর লাকপদা মাইখুম হাংদোক্কদবা মরমনা য়াম্না তাহা-তাহানা তৌখিবদগীনি। মাইখুম হাংদোকপা লোয়রবা মতুংদা অৱাৎপশিং শেমজিনগে হায়না ফোঙদোরকখি হায়রি।

হৌজিক খিল্লিবা মীতম অসি মপুং ফানা লোইদ্রিবনি। অনোপ অমুবা য়াওদ্রি, ফি য়াল্লিবা অসিসু শুপশিন্দুনা পিকশিনগদবা ৱাৎলি অমসুং তরাংকাই শাদ্রিবনি। অৱাৎ-অপাশিং অসি শেমদবা হায়বসি মশক থিহন্নবা মচাকনি। লাইথৌ তৌদনা লৈঙাক্না মীতম হেনক্তা খিনজিনবা অসি ফত্তে হায়দুনা ঙসি অয়ুক লাইথৌগী থৌরম তৌখ্রে হায়না মখা তানা ফোঙদোরক্লি।

# চহি ১৯ দা ঙাইরিবা নুপীমচা ১ চহি ৬৫ রোম শুরবা অহল ১ না ফম্লানবিখ্রে

ইম্ফাল, মার্চ ১২: ককচিং ডিষ্ট্রিক্টকী মনুং চনবা হিয়াংলম পুলিস ষ্টেসন্না কোনবা এরিয়াদা লৈবা চহি ১৯ শুরবা লৈশাবী অমা নুপী-অঙাং লৈরবা মশাগী চহি ৬৫ রোম শুরবা অহল অমনা নমদুনা ফম্লানবিখ্রে।

থৌদোক অসি হৌখিবা জানুৱারি ১০ গী নুংথিলগী পুং ৫ রোম তাবা মতমদা সেকমাইজিন খুন্নৌদা থোকখিবনি। থৌদোক অদুদা চেন্নরিবা অহল অদুগী মমিংনা এম দি জহেরুদ্দি এলাইজ য়াইমা (৬৫) কৌই। মহাক সেকমাইজিন খুন্নৌ কোনুমাদগী লৈখিদ্রবা এম দি তোম্বগী মচানুপানি হায়রি।

থৌদোক অসিগী মতাংদা ঙসি মণিপুর প্রেস ক্লবতা পাঙথোকখিবা পাউগী মীফমদা অঞ্জুমানগী সেক্রেটরি মদমত হবিবুলানা ফোঙদোকখিবদা, চৎলিবা চহি অসিগী জানুৱারি ১৭ তা চহি ১৯ দা ঙাইরিবী নুপীমচা অমবু হিয়াংলম এ সিগী মনুং চন্না লৈবা সেকমাইজিন খুন্নৌদগী এম দি জহেরুদ্দি এলাইজ য়াইমনা নুপীমচা অদু নমদুনা ফম্লানবীখি।

থৌদোক অদুদা চেন্নরিবা অহল অদু লোংখ্রে হায়বগী কমপ্লেন্ট অমা অঞ্জুমান্দা তৌরকখি। পাউ অদুগী মতুং ইন্না নুপা অদু কদায়দা লৈখ্রবগে হায়না পাউ লৌদুনা থিরুবদা ধর্ম্মগী মিংদা জমাষ্টতা মীরোৎ ওইনা ইম্ফাল ইষ্ট ডিষ্ট্রিক্টকী পোরেম্পাৎকী মসজিৎতা লৈরমখি। অঞ্জুমানগী থৌমীশিংনা মহাক্না লৈমীন্নরম্বা মীওইশিংদা তাক্লম্লগা অঞ্জুমানগী ওফিসতা পুরকখি। ওফিসতা মহাকপু থৌদোক অদুগী মতাংনা ৱাহং-পাউহং তৌবদা মহাক মশামক্না নুপীমচা অদুদা চথখিবা অদু অচুম্বনি হায়না মরাল য়াজখি। লোয়ননা লানখ্রে হায়দুনা ঙাকপিনবসু হায়জখি। থৌদোক অদুগী মতাংদা অশেংবা খঙলবগী মতুংদা মহাক্কী ইমুং-মনুং মীওইশিংদা মোবাইল ফোনগী খুৎথাংদা পাউ পীখি। অদুবু ঙসি ফাওবা ইমুং-মনুংগী মীওই অমত্তা ৱারি শান্নবগীদমক লাকখিদে হায়রি। অদুবু লৈকাইগী মীওইশিংদি থৌদোক অদুগী মতাংনা ৱারি শান্নবা লাকখি হায়রি। লাক্লিবশিং অদুনা থৌদোক অদুগী দায়ত্বদি পুবা ঙমখিদে।

মদুগী ওন্ন তৈনবদা অৱাবা তাদুনা লৈরিবী নুপীমচা অদুগী ময়ুমদা রেপিষ্টকী ইমুংগী মচা-মশুশিংনা থাং-তেন পায়দুনা লাক্লগা, ঐগী ইপা অঞ্জুমানদগী লৌরুচো, নত্রবদি হাৎকনি-তুপকনি হায়দুনা কিহনখি হায়রি। নুপীমচা অসি লুহোংনবা মতম ঙাইরগা ময়ুমদা লৈরিঙৈদা থৌদোক অসি থোকখিবনি।

থৌদোক অসিগী মতাংদা ঙসি পাউচে খরদা রেপিষ্টকী লোয়নবিনা অঞ্জুমানগী মীহুৎশিংনা মহাক্কী নুপা ফারগা লুপা লাক্ষ ৪ ডিমান্দ তৌরক্লি হায়বসি য়ুম্ফম য়াওদবনি হায়না ফোঙদোরক্লি। থৌদোক অসিগী মতাংদা চেন্নরিবা রেপিষ্ট অদু অঞ্জুমানগী থৌমীশিংনা লিলোং পুলিসতা খুৎশিন্নখ্রে হায়রি।

/URGENT REQUIRED

যুমদা লৈরগা য়েন লোইবা হৈবা নিশা চাদবা নেপালি/মৈতৈ অমা অথুবদা পামজৈ। ফেমিলি ওইরবসু য়াই। পাম্বীবা মীওইশিংনা ফোন নম্বরশিং ☎ 9862803450 / 7629932836 অসিদা কন্টেক্ট তৌবীরকউ।

HL-P/3228/9, 11&13 Mar